**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 10-08.2024)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-হর ঘর তিরঙ্গা কেম্পেইননা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা মরৈবাক মজাতিবু নুংশিবা, পুনশিন্নবা অমসুং অমত্তা ওইবগী ৱাখল্লোন পোকহনবা ঙমগনি।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতিদা ঙসি পাঙথোকখিবা অজাদিকা অমৃত মহোতসবপকী মখাদা হর ঘর তিরঙ্গা কন্সরটসগী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-রাজ্য অসিগী মীয়ামনা মমা লৈবাক্কীদমক থৱায় কৎথোকখ্রবা অথৌবশিংগী মুর্ত্তিশিং লু-নান্না শেংদোকপা অমসুং মখোয়গী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকদবনি। ঙসি ঐখোয়না ফংলিবা নীংতম্বগী নুংঙাইবা অসি মথৌনা ফরবা লুচিংবশিং অদুনা মশাগী ওইজবা থিদনা কৎথোকখিবা অদুগী মহৈনি।

মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং মখাদা ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকখিবা জি-টোইন্তি সমিটকী ইভেন্টশিং লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাঙথোকখি। মসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামবু ঐখোয়সু ভারত মচানি হায়বগী চাউথোকচবা অদু পোকহল্লি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা আর্টিষ্টশিংনা পুং চোলোম, লৈবাক নীংবা ঈশৈনচিংবা তোঙান তোঙানবা কলচরেল প্রোগ্রামশিং উৎখি। রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগনা শিনদুনা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা মন্ত্রিশিং-গোবিন্দ দাস কোন্থৌজম, অৱাংবৌ ন্যুমাই, ডা: সাপম রঞ্জন সিংহ, লৈশাংথেম সুসিন্দ্রো, খাশিম বাসুম অমসুং এম.এল.এশিং, দি.জি.পি, এদমিনিষ্ট্রেটিব সেক্রেটরিশিং অমদি আর্ট এন্দ কলচরগী ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

অমরোমদা, মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেননা লাক্কদৌরিবা ভারতকী নিংখা

তম্বা নুমিৎকা মরী লৈননা মীয়ামা সোসিয়েল মিদিয়াগী এক্কাউন্টশিংদা লৈরিবা মশা মশাগী প্রোফাইল পিকচর ওইনা ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল হাপ্পীনবা আপীল তৌরি।

**অভিয়ান(এল)ঃ** ভারত সরকারগী সোসিএল জষ্টিস এন্দ ইম্পৱারমেন্ট মন্ত্রালয়গী মখাদা খা মনিপুর যোগ এন্দ নেচর কিয়োর এসোসিয়েসন-ককচিংনা শিনদুনা থা অসিগী ১৫ ফাওবা চথুগদবা নসা মুক্তা ভারত অভিয়ান ঙসিদগী হৌদোকখ্রে। হৌদোকপগী থৌরম ককচিং মচিন-মনাও চীংলক্তা লৈবা অনন্দা সিংহ যোগ এন্দ নেচর কিয়োর রিছার্স হোস্পিতালগী হোলদা পাঙথোকখি।

কেম্পেইন অসিগী মনুংদা ময়াম পুনবা মফমদা ৱার্কশোপ পাঙথোকপা, শান্ন-খোৎনবা, অতেনবা লীলা মচা উৎপা, লম-তু শেংদোক্নুনা উ-চারা থাবা, রেল্লি চৎপনচিংবা থৌরম কয়া পাঙথোক্কনি হায়রি।

**এময়ু (এল)ঃ** মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী টিচর এদুকেসন দিপার্টমেন্টনা শিনদুনা ঙসি কম্ম্যুনিতি কন্টেক্ট প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। প্রোগ্রাম অসিগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লমশাং সি.দি. ব্লোক্কী মনুং চনবা ফয়েং খুলদা সোসিও ইকোনোমিক সর্ভে অমা চথুখি। তুংদা, লম্বোইখোঙনাংখোংদা লৈবা মনিপুর ত্রেদ এন্দ এক্সপো সেন্টর রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা তেংবাংগী পোৎলম কয়া খুৎশিন্নখি।

**ককচিং (এল)ঃ** ককচিং জিলাগী থৌনাওজমদা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবা অমসুং হিদাক লাংথক য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে কেম্প অসি মনিপুর রুরেল লাইফলিহুদ মীসনগী মখাদা ব্লোক মীসন মেনেজমেন্ট য়ুনিট-লাংমৈদোং ব্লোক অমসুং ইমা পান্থোইবী ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন-থৌনাওজমগা পুন্না শিনবনি।

**নোনে (এল) ঃ** নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট ৱানদা চিং নিংখায়বনা মরম ওইদুনা অৱাবা তারবা মীওইশিংদা এম.এল.এ. দিনগাংলুং গাংমৈনা হকথেংননা চৎতুনা নোংমদা চংবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে। রিলিফ কেম্পতা চৎতুনা অৱাবা তারবা মীওইশিংগসু উন্নখ্রে। রোংমৈ নাগা ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন মনিপুরনসু রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিংদা তেংবাংগী পোৎলমশিং য়েন্থোকখ্রে।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফল অমদি মনিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা থৌবাল জিলাগী ৱাইথৌদা ঙসি থিবা হুন্বগী থবক চথবদা খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

অসাম রাইফলসকী পাউনা হায়-ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুদি- এ.কে.ফোরতি সভেন রাইফল অমা, সিঙ্গল বেরেল রাইফল অমা, নাইন এম.এম.পিষ্টোল অনি, গ্রেনেদ তরা অমদি অতৈ খুৎশু খুৎলায় কয়াসু ফাগৎলে। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদু মনিপুর পুলিসতা খুৎশিন্নখ্রে।

**থৌবাল (এল)ঃ** চহি নৌরিবা অঙাংশিংগী মরক্তা ময়াই কাবা চিঞ্জাক চাবা অমদি আইননা য়াদবা মওংদা মী লল্লোনবগী থৌওং থিংবা হায়বা হীরমদা নোংমগী ওইবা এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা ঙসি থৌবাল নিংঙোম্বমদা লৈবা ন্যু আইদেল হায়স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নুপী পুলিসকী সব-ইন্সপেক্তর, সাইক্যাত্রিক্স অমসুং দিষ্ট্রিক্ট নোদেল ওফিসার, দিষ্ট্রিক্ট মেন্টেল হেলথ-থৌবাল, স্কুল অসিগী ওজাশিং অমসুং মহৈরোইশিং শরুক য়াখি।

**থৌবাল (এল)ঃ** থৌবাল জিলাগী খোংজোম কৈথেলদা লৈবা সাউর্দন য়ুথ ইন্সেনি

টব এসোসিয়েসননা শিনদুনা লেপ্তুনা চথুরকপা খোংজোম সার্কলগী মনুংদা লৈবা মীথোই মীহেনবা মহৈরোইশিংবু পুকিং থৌগৎপগী ২০ লক শুবা থৌরম তেকচমদা লৈবা তেকচম গালর্স অপ্পর প্রাইমারি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

**এআর-উ (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা শিনদুনা মনিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা উ পাক্তকনা থাবগী থবক চথুরি। উখ্রুল জিলাগী সংসক্তা মফম অদুগী মীয়ামগা খুৎশমদুনা উ পাম্বী লিশিং ১,৬০০ রোম থাখ্রে।

অমরোমদা, চান্দেল জিলাগী সেলোন ভিলেজ অমসুং তেংনৌপল জিলাগী খুদেংথাবী ভিলেজতসু উ পাম্বীশিং থাখি।

**ধরনা (এল)ঃ** ইম্ফালগী আরিয়্যান ঠিয়েটর কমপ্লেক্সতা ঙসি ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। ৱাকৎ মীফম অদু অরিয়্যান ঠিয়েটর আর্টিষ্ট এক্সন কমিতিনা শিনদুনা পাঙথোকখিবনি।

**মৈ (এল)ঃ** ফোর হন্দ্রেদ বাই ৱান থারতি টু বাই থারতি থ্রি কে.ভি. পৱার গ্রীদ সটদাউন্দ তৌগদবা মরমনা হয়েং পৱার গ্রীদ অসিনা কোনবা য়ুরেম্বম, কারোং, য়াইঙংপোকপী, হুন্দুং, কোংবা, থৌবাল, ককচিং, চান্দেল, মোরে, এলাংখাঙপোকপী, চুরাচান্দপুর, থাংলোন অমসুং নিংথৌখোংদা অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৪ ফাওবা মৈ ফংলোই হায়না মনিপুর ষ্টেট পৱার কম্পানি লিমিটেদকী চেরোল অমনা হায়রি।

**মৈরা (এল)ঃ** নুপী খুন্নাই মৈরা পায়বীগী লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট ওইরম্বী অমসুং পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপনবা মনিপুরগী এদভাইজর ওইরম্বী-ইমা মঙ্গোল ঙরাং লৈখিদ্রে। মহাক মনিপুরদা মৈরা পায়বীগী ইহৌদা লময়ানবী ওইরকখিবীনি। মহাকা লৈখিদবদা নুপী খুন্নাই মৈরা পায়বীনা অৱাবা

ফোংদোকপগা লোয়ননা ইমুং মনুংগী অৱাবদা শরুক য়ারি হায়না লুপ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়রি।

**নাগালেন্দ** ঃ বঙ্গলাদেশতা থোক্লিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা আইন কায়না মীতোপশিং চংশিল্লকপা থিংনবা নাগালেন্দ সরকারনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎলে ।

রাজ্যগী হোম কম্মিসনার ভ্যাসন আরনা দিপ্যুতি কম্মিসনার খুদিংমকা মখোয় মখোয়গী জিলাশিংদা সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎনবা পাউতাক পীখ্রে। রাজ্য অদুগী সেক্যুরিতিশিংগী থবক কনখৎপগা লোয়ননা আই.এল.পি চ্যেক তৌবা হেনগৎনবা খঙহনখ্রে। শ্রী ভ্যাসন্না হায়- ভিলেজ কাউন্সিলশিং মথৌ তৌহনদুনা মশক খঙদবা মীওইশিং চংলকপগী পাউ খুদক্তা দি.সিশিংগী খুথাংদা পীনবা থবকসু পায়খৎনবা খঙহনখ্রে। মহাক্না ফম মান্নবা অসামগী হোম কম্মিসনারনসু ৱাফম অসিগী মতাংদা হান্ননা পাউ ফাওনখ্রে। রাজ্য অসিদা মীতোপ চংশিল্লকপা থিংনবা ভিলেজ কাউন্সিলনা অচৌবা থৌদাং লৌরগনি।

**টৌঙ্ক (এল)**ঃ মিজোরম অমসুং অসামগা লোন্নবা ঙমখৈ পরিংদা তুং কোইনা শান্তি থমবা য়ান্নখ্রে। মতম শাংনা য়েৎনদুনা লাক্লিবা ঙমখৈগী ৱাফমসু লোইশিন্নবা হোৎনরগনি হায়রি।

আইজোলদা ঙরাং মরিরক শুবা ওইনা রাজ্য অনিগী অৱাংবা থাক্কী মীহুৎ কাংবুশিংগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসি লোইরবা তুংদা পাউমীশিংদা অসামগী বোর্দর প্রোটেক্সন এন্দ দিভলপমেন্ট মন্ত্রি অতুল বোরানা হায়- মীফম অদু মহয় য়ানবা মীফম অমনি। রাজ্য অনিনা অথুবা মতমদা য়ান্নবা পুরক্তুনা চয়েৎনরিবা অসি লোইশিন্নবা ৱারেপ লৌরে।

**পিএম ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা কেরলাগী ৱায়ানাদতা চিং নিংখায়বনা শোকহল্লবা মফমশিংদা চৎতুনা হকথেংননা য়েংশিনখ্রে। মহাক্কী খোঙচৎ অসিদা রাজ্যপাল-অরিব মোহোমদ খান অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি-সুরেস গোপিসু লোয়নখি। প্রধান মন্ত্রিনা মফম অদুগী খুদোংথিবা নংলবা মীয়ামদা তেংবাং পীরিবা মীওইশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। প্রধান মন্ত্রিনা এম.আই.এম. হোস্পিতালদসু চৎখি অমদি নেপাদেদা লৈবা সেন্ট জোসেপ স্কুলদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। মদুগী মমাংদা, প্রধান মন্ত্রিনা চিং নিংখায়বদা শোকহল্লবা তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদসু হেলিকোপ্তর তোংদুনা য়েংশিনখি।

চিং নিংখায়বনা মরম ওইদুনা মীওই ১১২ লৈখিদ্রে। মফম অদুদগী মীওই ৩০ কনখ্রে অমসুং মীওই ৫২০ না শাফগদবা মফমশিংদা থংদোকখ্রে।

**রাস্ত্রপতিঃ** রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমুদা, তিমোর লেসতেগী মীচমদা পীবা খ্বাহদগী ৱাংবা মনা-গ্রান্ট কোলর পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। মনা অসি লৈবাক অদুগী রাস্ত্রপতি-জোস রামোস হোরতানা খূৎশিন্নখিবনি।

রাস্ত্রপতি মুরমুগা লৈবাক অদুগী রাস্ত্রপতি অমদি প্রধান মন্ত্রিগা লৈবাক অনিগী লৈনরিবা মরি হেন্না চেৎশিনহন্নবগী মতাংদসু ৱারী শান্নখি। মদুগী মমাংদা, রাস্ত্রপতি-মুরমু ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা গন সেলুট অমদি গার্দ ওফ ওন পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

**জয়শঙ্করঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: জয়শঙ্করনা হায়রি-মালদ্বিপসকা ভারতকা মরী হেন্না চেৎশিলহন্দুনা লৈবাক অনিমক্তা কান্নবা কয়া ফংহল্লগনি।

নুমিৎ হুমনিগী মালদ্বিপস খোঙচৎতা মনুংদা শ্রী জয়শঙ্করনা লৈবাক অদুগী রাস্ত্রপতি-মোহমদ মোইজ্‌গা উন্নখি। জয়শঙ্করনা লৈবাক অদুগী ঙাকশেল মন্ত্রিগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী ঙাকশেল, সেক্যুরিতিগী তেংবাং পীনবা য়াওনা লৈবাক

অনিগী মরক্তা শান্তি লৈহন্নবা য়াওনা তোঙান তোঙানবা অতৈ হীরম কয়াদসু ৱারী শান্নখি। শ্রী জয়শঙ্করনা লৈবাক অদুগী লল্লোন ইতিক মন্ত্রি, শেল থুম মন্ত্রি অমসুং মালদ্বিপস মোনিটরি ওথোরিতিগী গভনরগসু উন্নখি। তুংদা, শ্রী জয়শঙ্করনা লৈবাক অদুগী ইথৎ ২৮ দা পায়খৎকদবা ৱাটর এন্দ সেনিটেসন প্রোজেক্টশিং ভরচুয়েল ওইনা শঙ্গাখি।

**প্লেন ঃ** ব্রাজিলগী সাউ পাউলোদা এরোপ্লেন অমা কায়বগী থৌদোক্তা মীওই ৬১ শিরে। এরোপ্লেন অদু ঙসি পারানাগী কেসকেভেলদগী সাউ পাউলো সহর তমা পাইরকপদা সহর অদুগী বিনহেদোদা থৌদোক অদু থোকখিবনি।

এরোপ্লেন অদু পেসেঞ্জর ৫৭ অমদি ক্রু মেম্বর মরি য়াওবনি। অদুবু, পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা মখোয় লোয়নমক লৈখিদবনি।

লৈবাক অদুগী রাস্ত্রপতি-লুলা-দা-সিলভানা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা ইমুং মনুংগী অৱাবা শরুক য়ারি। নুমিৎ হুমনি অৱাবা ফোংদোক্কনি হায়না সরকারনা লাউথোকখ্রে।

**কিল্ডঃ** পেলেস্তাইনগী গজাদা ইজরেলনা নোংথক্তগী লান্দারকপদা লাই খুরুম্ফম অমদি স্কুল অমদা চংজফম লৌদুনা লৈবা মীওই ৯৩ রোম লৈখিদ্রে। গজা সিভিল দিফেন্স এজেন্সিগী পাউনা হায়-মীয়ামনা মফম অদুদা লাই খুরুম্লিঙৈদা নোংথাক্তগী লান্দারকপদগী থৌদোক অসি থোকখিবনি।

গজা সহরগী নোংপোক থংবা শরুক্তা হমাজশিংনা ওপরেট তৌদুনা লৈরে হায়বা খঙবদগী ইজরেলনা নোংথক্তগী লান্দারকখিবনি হায়না ইজরেলনা হায়রি।

**এঠলেটিক্স (এল)ঃ** সুইদেনগী জোহেনবার্গতা থা অসিগী ১৩ দগী ২৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড মাস্তর এঠলেটিক্স চেম্পিয়নসিপ-২০২৪ দা শরুক য়াগদবা মনিপুরদগী মাস্তর শান্নরোই, নুপী অমসুং নুপা পুন্না মঙা ঙসি ইম্ফাল

থাদোকখ্রে। ভারতকী মহুৎ শিনদুনা শরুক য়াগদবা মনিপুরগী মাস্তর এঠলেট শান্নরোই মঙা অদুদি-চহি ৪৫ দগী ৪৯ ফাওবগী কাংলুপ্তা-রাধেসনা থিয়াম অমদি বেমবেম লাইরেনলাকপা, চহি ৪০ দগী ৪৪ ফাওবগী কাংলুপ্তুনা সোমানন্দ দা সলাম অমদি উমেস তখেলময়ুম লোয়ননা চহি ৫৫ দগী ৫৯ গী কাংলুপ্তা রোজিকুমার তোইজমনি।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা মালেমগী লৈবাক ১১১ গী এঠলেট লিশিং ৮,০৩৫ না তোঙান তোঙানবা মশান্না ৩৩ দা অথোই-অহেন তান্নগনি।

**পেরিসঃ** পেরিস ওলিম্পিকক্সকী মেদল টেল্লিদা-চাইনানা সনাগী ৩৪, লুপাগী ২৭ অমসুং শেঞ্জেংগী ২৩ পুন্না তকমান ৮৪ ফংদুনা অহানবা মফমদা লৈরি। আমেরিকানা সনাগী ৩৩, লুপাগী ৪১ অমসুং শেঞ্জেংগী ৩৯ পুন্না তকমান ১১৩ ফংদুনা অনিশুবদা, ওষ্ট্রেলিয়ানা সনাগী ১৮, লুপাগী ১৬ অমসুং শেঞ্জেংগী ১৪ পুন্না তকমান ৪৮ ফংদুনা অহুমশুবা মফমদা লৈরি। ভারতনা হৌজিক ফাওবদা লুপাগী তকমান অমা অমসুং শেঞ্জেংগী ৫ পুন্না তকমান তরুক ফংদুনা ৬৯ শুবা মফমদা লৈরি।